HUEIYEN LANPAO

# হুয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এন্থ্রোপোলোজিদা রিসার্চ স্কোলার ওইনা লৈবা লাইশ্রম ইবোহল মীতৈদা আই এস সী এ য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্দ খূৎশিন্নবগী শক্তম



লামায় ১

মণিপুরদা হিদাক কান্নবা পাম্বী অমদি এরোমেটিক প্লান্ট থানবা সী এস আই আর অমদি দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশকী মরক্তা এম ও এ খুৎয়েক পীনখ্রে হায়না হেল্‌থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপা



লামায় ১

ডা. অম্বেদকর নেসনল ফেলোশিপ এৱার্দ ফংলকখ্রবা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী এপ্রুভ আর্টিষ্ট থৌবাল নিংঙোম্বম হৈবোং থাবমদগী ওক্রম বসন্তবু তরাম্না ওকখিবগী শক্তম



লামায় ৫

ম্যান্মারগী চীফ মিনিষ্টরশিং, ওফিসলশিংগা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা উনদুনা তমুদা ভিজা সেন্টর হাংদোকপা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াগী মতাংদা ৱারী শানখিবা



লামায় ১


Vol. 42, Issue No.284 | য়ুমশকৈশা, ৱাকচিং হুম্নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, January 09, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50



MEDILANE

Medilane Ambulance number
8723004849, 7085244123
7085396969, 7005022100
These AMBULANCE NUMBERS are available 24x7 for emergency and accident.
Free AMBULANCE SERVICE for accident.


# নেসোনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা বন্দ তৌরিঙৈগী চৈরক্তা লোক সভানা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ পাস তৌখ্রে

## অসামগী গোলাঘাটতা বি জে পিগী ওফিস অকায়-অতোয় থোকহনখ্রে, মণিপুরদসু ঈরাং কনখৎলকপা য়ানা লৈরি

ইম্ফাল,জন্যুৱারি ৮ (ঐচএনএস): বাংলাদেশ, পাকিস্তান অমসুং অফঘানিষ্টানদগী চঙলকপা মুস্লিম নৎতবা মীতোপশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্নবগী পান্দমদা লোক সভানা ঙসি সিটিজনশিপ (এমেন্দ-মেন্ট) বিল ২০১৬ পাস তৌখ্রে।

অসামগী গোলাঘাটতদি মীয়াম্না বি জে পিগী ওফিসতা অকায়-অতোক থোকহনখ্রে। মণিপুরদসু বিল অসিগী মায়োক্তগা ঈরাং কনখৎলকপা য়ানা লৈরে হায়রি।

বিল অসি পুখৎলদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি, ইন্দিয়া নৎতনা অতোপ্পা



মফম অমত্তদা চঙজফম লৈত্রবা বাংলাদেশ, পাকিস্তান অমসুং অফঘানিষ্টানদগী চঙলকপা হিন্দু, জেন, খৃষ্টিয়ন, সিখ, বুধিষ্ট অমদি পর্সি কাঙলূপকী মীওইশিং লৈবাক অসিগী সিটিজন ওইহনবা মথৌ তাই।

অৱাং-নোংপোক লমদমদা বিল অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পুং ১১গী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

### বন্দ মনুংদা এমসুগী থৌমী ৭ ফাজিল্লুরে

ইম্ফাল,জন্যুৱারি ৮ (ঐচএনএস): সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ চৎনবা য়ারোই হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো)না নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট পূম্বদা কৌখিবা বন্দ মণিপুরদসু মপূং ফানা শৌগৎতুনা চখ্খ্রে।

সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল অসিগী মায়োক্তা কৌখিবা বন্দ অসিনা মরম ওইরগা মণিপুর মীয়ামগী মহৌশাগী পূন্সিদা চাওনা অকায়বা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### এম এস এফনা কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈশিল্লোই

ইম্ফাল,জন্যুৱারি৮(ঐচ এন এস): য়ুনিয়ন কেবিনেটনা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অয়াবা পীদুনা লোক সভাদা পাস তৌখিবা অসিবু মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহৈরোয় লূপ অসিনা কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈশিল্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### পোলিটিকেল ওটোনোমি তানবগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে : দেসাম

ইম্ফাল,জন্যুৱারি ৮ (ঐচএনএস): সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি করিগুম্বা হয়েং রাজ্য সভাদা পাস তৌখিবা তারবদি ইন্দিয়াদগী নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংগী ওইবা পোলিটিকেল ওটোনোমি তানবগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### সী এমনা ম্যান্মারগী ওফিসলশিংগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে

ইম্ফাল,জন্যুৱারি ৮ (ঐচএনএস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না ঙসি ম্যান্মারগী চীফ মিনিষ্টরশিং, ওফিসলশিংগা উনদুনা তমুদা ভিজা সেন্টর হাংদোকপা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা ৱারী শানখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফমদা মন্দলে রিজনগী চীফ মিনিষ্টর ডা. জো মিন্ট, চিন ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর উ সলাই লুৱাই, মোন ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর আই জান, রখাইন ষ্টেটকী সেন্ট্রেল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. মিয়ো ন্যুন্ট, পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর উ মিন্ট নেং উ অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসল কয়া শরুক য়াখি।

নাকল অনীনা এক্ট ইষ্ট পোলিসি, লৈবাক অনীগী লল্লোন-ইতিক, ভিজা ফী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## হিদাক কান্নবা পাম্বী থানবা সী এস আই আরগা অয়ুশ দিরেক্টোরেটকা এম ও এ খুৎয়েক পীনখ্রে

**ফ্লোটিং দিস্পেন্সরি য়াওনা অয়ুশকী থবকশিংগীদমক ক্রোর ৪.৩৪ কাইথোরক্লে : হেল্‌থ মিনিষ্টর**

ইম্ফাল,জন্যুৱারি ৮ (ঐচএনএস): মণিপুরদা হিদাক কান্নবা পাম্বী অমদি এরোমেটিক প্লান্ট থানবা অমসুং পোখোক পুথোক্লবগী মতাংদা সী এস আই আর-নোর্থইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমদি দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশকী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট (এম ও এ) খুৎয়েক পীনখ্রে হায়না হেল্‌থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্রেটরিএটতা লৈবা হেল্‌থ মিনিষ্টরগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশ মণিপুরগী ওফিসল কয়াগা লোয়ননা জোর্হাটতা লৈবা সী এস আই আর নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী কমপ্লেক্সতা চৎতুনা য়েংলুরে। ফার্মদসু চঙদুনা মফমদুদা পায়খৎলিবা থবক কয়া য়েংশিনখি। ষ্টেট অসিদা হেক্তর ৫০ দা হিদাক কান্নবা পাম্বী অমদি এরোমেটিক প্লান্টশিং থানবা অমদি লৌমীশিংদা ট্রেনিং কয়া পীবগা লোয়ননা পোখোক পুথোক্লবগীদমক সী এস আই আর নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগা দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশকা খুৎয়েক পীনবনি।

পোপি প্লান্ট থারম্বা মফম কয়া য়াওনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হিদাক কান্নবা পাম্বী অমদি এরোমেটিক প্লান্টশিং থানবা থৌরাং পায়খৎকনি। পোপি প্লান্ট থারগা শেন্থোক লম্বী ওইনবা হোৎনরম্বশিং হৌজিক পোপি প্লান্ট য়ান্থুৎখ্রবা মতুংদা শেন্থোক লম্বী অমা পীনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। লৈঙাক্কী মাইকৈদগীসু হিরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। হিদাক কান্নবা পাম্বীশিং অমদি এরোমেটিক প্লান্ট-শিং অসি হেক্তর ৫০ রোমদা থাবগা লোয়ননা লৌমীশিংদা ট্রেনিং পীবগী থবক অসি সী এস আই আর-এন ঈ আই এস টিগী সাইন্টিষ্টশিংনা চথবনি। মেছিননচিংবা কয়া অমসু পীরক্কদৌরি। মেদিসনল প্লান্ট অমসুং এরোমেটিক প্লান্টশিংদগী শুংদোকপগী থবক চথনবা মেছিন অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### লাইশ্রম ইবোহল মীতৈদা য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল,জন্যুৱারি ৮ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এন্থ্রোপোলোজিগী স্কোলার লাইশ্রম ইবোহল মীতৈদা আই এস সী এ য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্দ পীরক্লে। মহাক থাঙ্গ খুঞ্জেম লৈকায়দগী লাইশ্রম ইবোনহা মীতৈ অমসুং লাইশ্রম ওংবী পান্থোই লৈমগী মচানুপানি।

এন্থ্রোপোলোজিকেল এন্দ বিহে-বিয়রেল ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## দ্রগ কেসতা ফাখিবা এ দি সীগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌ লায়েংনবা বেল লৌখ্রগা মফম খঙখিদ্রে

*কোর্টনা মীচেননি লাউথোক্তুনা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট ইস্যু তৌখ্রে*

ইম্ফাল,জন্যুৱারি ৮ (ঐচ এন এস): ময়াই কাবা দ্রগকী কেসতা ফাখিবা চান্দেলগী হান্নগী এ দি সীগী চ্যেরমেন লুখোসৈ জৌ বেল লৌখ্রগা মফম খঙখিদ্রে হায়রি।



কুমজা ২০১৮ গী জুন ২০ দা নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিমগা লোয়ননা মশাগী লম্ফেলদা লৈবা ভি আই পি ক্বার্টর অমদা চথখিবা রেইদতা য়াল্লবা দ্রগ, নোংমৈ অমদি শেলগা কোন্নবা ফাবদগী অন্দর ত্রায়েল প্রিজনর (য়ু টি পি) ওইনা জুদিসল কষ্টদিদা থল্লক্লিবা চান্দেলগী হান্নগী এ দি সীগী চ্যেরমেন লুখোসৈ জৌ ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৪.১ °C | ৯.০২ °C |
| চান্দেল | ২৮.৩১ °C | ১০.৬১ °C |
| সীসীপুর | ২৫.৩৬ °C | ৮.০৪ °C |
| ইম্ফাল | ২৬.৭৫ °C | ৬.৯১ °C |
| সেনাপতি | ২২.৮৭ °C | ৪.৯৪ °C |
| তমেংলোং | ১৮.৫৪ °C | ৮.৭ °C |
| থৌবাল | ২৪.১৪ °C | ৯.৫১ °C |
| উখ্রুল | ১৯.৩২ °C | ৮.২৪ °C |
| মণিপুর | ২৮.৩১ °C | ৪.৯৪ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.382524 |
| US Dollar | 70.150923 |
| British Pound | 89.587649 |
| Australian Dollar | 50.109678 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.235562 |
| Japanese Yen | 0.645490 |
| Malaysian Ringgit | 17.058846 |
| Australian Dollar | 50.109678 |
| Singapore Dollar | 51.659924 |
| South Korean Won | 0.062318 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.706913 |
| Thai Baht | 2.185996 |
| Myanmar Kyat | 0.04573 |
| Bangladesh Taka | 0.83599 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 32481.28 |
| Mumbai | – | Rs 33454.55 |
| Delhi | – | Rs 33155.08 |
| Kolkata | – | Rs 33636.36 |

**HL POLL**

Q : Union Cabinet na Citizenship Amendment Bill ayaba pikhibashi achumba khongthangni haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Parliament meefamda Citizenship (Amendment) Bill pass touhanfam thoke haina loubra?

Yes 19% No 81%

**অস! লোইরেহে!**

শাদি শাদনা যাত্রা হুনবৈ থবকসিদি ঐনফাওবা থা অমদা যাত্রা য়াঙ্খিদুম হুনবীগে...!



মানি, তাইঙোসু ফরসু ফৎত্রসু সোসল ৱার্কর মচা অমনি...!


No to Chemical
Yes to Organic

ORGANIC ENSURES YOU

TRUST QUALITY RELIABILITY ECO-FRIENDLY

Organic MANIPUR

ORGANIC MANIPUR
for healthy and sustainable Manipur

MANIPUR ORGANIC MISSION AGENCY (MOMA)
Department of Horticulture & Soil Conservation, Manipur
Department of Agriculture, Manipur

HL-P/2437/14/12/18-14/01/19



অদোমবু মফম অমগদী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ওম্বা



Manipur Cab Services

হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...

খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্ত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোৎদুনা চৎপিয়ু

₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অখন্নবা শেমজবা package লৈজরি

Toll Free Number
1800-345-3838

GET IT ON Google Play

অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি

Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-P/2818/23/12/18-22/01/19



STATE ARCHAEOLOGY
DEPARTMENT OF ART & CULTURE
GOVERNMENT OF MANIPUR

*All are cordially invited on the occasion of observation of*

**185th Death Anniversary of Maharaj Gambhir Singh**

*&*

*Dedication of two statues of*

**Meidingu Narasingh and Sana Herachandra**

*on 9th January 2019 (Wednesday) at 9a.m.*

*at*

*Samadhi of Maharaj Gambhir Singh, Langthabal*

HL-B/5108/09